# পাকিস্টাননা চাইনাগী মতেং লৌরগা ইন্দস তুরেলদা দাম তরুক শাজিল্লক্লে : ঈ এ এম



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী) :

পাকিস্টান ওকুপাইদ কাশ্মীর (পি ও কে)দা পাকিস্টাননা চাইনাগী মতেং লৌরগা ইন্দস তুরেলদা দাম তরুক শাজিল্লক্লে হায়না এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রি(ঈ এ এম)না পার্লিয়ামেন্টতা ফোংদোকখ্রে।

পাকিস্টান্না অয়াবা য়াওদনা কাশ্মীরগী মফম কয়ামরুম খুদুম চনশিল্লে হায়না পল্লদুনা এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্ট্রিগী ষ্টেট মিনিষ্টর জেনরেল (রিটয়ার্দ) ভী কে সিংহনা হায়খি, দাম শাবগী থবক্তা চাইনানা পাকিস্টানগী মতেং পাংলি। অদুবু অয়াবা য়াওদনা খুদুম চনশিল্লক্লিবা মফম অসিদগী লান্মী পুম্নমক লৌথোকখিনবা ইন্দিয়ানা পাকিস্টান অমসুং চাইনাদা মাঙজৌননা খঙহনবা লৈখ্রে।

পাকিস্টানগী নেসনল রিভর ওইরিবা ইন্দসনা নোংচুপ থংবা টিবেটতগী হৌরক্লগা লাদাক, গিলগিত-বালটিষ্টান অমদি খাইবর পাখতুনখ্বা ফাওবা চেল্লি। পাকিস্টাননা দাম শাজিনখিবনা ইন্দিয়াদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লরগনি হায়রি।

অমরোমদা, দিফেন্স মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা হায়খ্রে মদুদি, পাকিস্টাননা ঙমখৈ ৱাংমদগী জম্মু এন্দ কাশ্মীরদা টেররিষ্ট কয়া লেপ্তুনা থাজিল্লক্লবা হোৎনরি।

লোক সভাগী ৱাহং-পাউখুম মতমদা মিনিষ্টরনা হায়খি, ইন্দিয়ন আর্মিনা ঙমখৈগী শরুক পুম্নমক চেকশিন্না ঙাক শেনবদগী টেররিষ্টশিং ঙমখৈ লানশিল্লকপা ঙমদবনি। চহী অসিগী মনুংদা পাকিস্টাননা টেররিষ্টশিং থাজিল্লক্লবা হোৎনবদা সিজ ফায়র থুগাইবগী থৌওং ২৮৫ চথরকখি। মমাঙ চহীগী ওইনদি পাকিস্টাননা সিজ ফায়র থুগাইবগী ২২৮ চথরকখিবনি।

ৱাহং অমগী পাউখুমদা দিফেন্স মিনিষ্টরনা হায়খি, লাইন ওফ কন্ট্রোল (এল ও সী) অমসুং ইন্টরনেসনল বোর্দরদা আর্মিনা এন্তি ইনফিল্ট্রেসন ওবষ্টেকল সিষ্টেম (এ আই ও এস) শেমগৎলে। টেররিষ্টশিংনা ঙমখৈ লানশিন্নবা হোৎনরকপদা ইরায় লায়না খঙবা ঙম্নবগীদমক রাদর, সেন্সর অমদি থর্মেল ইমেজর ইন্সটোল তৌরে।

অমরোমদা, এক্সটর্নেল এফেয়র্স মিনিষ্টর সুস্মা স্বরাজনা হায়খ্রে মদুদি, লান শোক্লবনা ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোইদবা মরম্না ৱারী শানদুনা চাইনাগা য়াশিন্নবা পুরক্লবা হোৎনরি।

ইন্দিয়াগী ফোরেন পোলিসিগী মতাংদা খন্ন-নৈনরকপদা স্বরাজনা হায়খি, দোক্লামদা হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া অমসুং চাইনাগী লান্মীশিং মুক্নবগী থৌদোক থোক্লিবসি অথুবা মতমদা ৱারী শানরগা য়াশিন্নবা পুরকপা ঙম্লগনি হায়বগী থাজবা লৈরে।

লান শোক্লবনা নাকল অমত্তদা কান্নবা পীরোই হায়না পল্লদুনা মহাক্না হায়খি, লান লোইরবা মতুংদসু নাকল অনী ৱারী শানবগী মথৌ তাগনি। মরম অদুনা খুৎ থোক্ল দ্রিঙৈদা ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপনা খ্বাইদগী ফবা পাম্বৈনি।

প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা হন্দক্তা কজখষ্টানদা চাইনাগী প্রসিদেন্ট জি জিন পিংগা উনখিবদা দোক্লাম অমদি অতৈ ঙমখৈগী ৱাথোক পুম্নমক ৱারী শানরগা ৱারোইশিন পুরকপগী মতাংদা য়ানবা লৈখ্রবনি।

# পার্লিয়ামেন্টতা ঙসি ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখল পাঙথোক্লগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী) :

পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা হয়েং ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা ভোট থাদনরগনি। মীখল অসিদা এন দি এগী মীরেপ এম ভেনকয়া নাইদুনা মায় পাক্লবা য়াই হায়না থাজনরি। থেংলবদা হয়েং নুংথিল ফাওবগী মনুংদদি মথংগী ভাইস প্রসিদেন্ট কনানা ওইগদগে হায়বদু খঙবা ঙম্লগনি।

বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এনা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক মেজোরিটি ওইরিবা মরম্না মীখল অসিদা রুলিং পার্টিগী মীরেপ্না মায় পাকপদা লায়না থোক্কদৌরি।

ওপোজিসন পার্টিশিংগী ওইনা গোপাল কৃষ্ণ গান্ধীবু মীখল অসিদা মীরেপ ওইনা থাগৎলি। প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদা এন দি এগী মীরেপ রামনাথ কোবিন্দদা শৌগৎখিবা বি জে দি অমসুং জে দি (য়ু)না হন্দক্কী ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদদি ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎনবা ফিরেপ লৌখি। জে দি (য়ু)না মহাগথবন্ধনদগী তোকখিদুনা বি জে পিগা খুৎশম্নরগা বিহারদা অনৌবা লৈঙাক অমনা শেমখিবা তারবসু ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলদদি ওপোজিসনগী মীরেপ্তা শৌগৎকনি হায়না ফোংদোকখি।

হয়েং অয়ুক পুং ১০দগী নুংথিল পুং ৫ ফাওবা পাঙথোক্কদৌরিবা মীখল অসিদা পার্লিয়ামেন্টকী মেম্বরশিংনা অখন্নবা কোলোম অমনা অপাম্বা মীরেপ্তা মার্ক তৌদুনা ভোট পীগনি। মীখল লোইরবা মতুং ভোট মশীং থীরগা নুমিদাং পুং ৭তা মীখলগী ফল লাউথোক্কনি হায়না ইলেক্সন কম্মিসনগী ওফিসলশিংনা ফোংদোকখি।

সিক্রেট বেলোটতা মীখল পাঙথোকপা মরম্না ভাইস প্রসিদেন্ট খনবগী মীখলগা মরী লৈননা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা হ্বিপ ইস্যু তৌবা য়াদে। টার্ম অনীরক থংনা থংননা ভাইস প্রসিদেন্ট হমিদ অন্সারিগী মতম ওগষ্ট ১০দা লোইরগনি।

রাজ্য সভাগী এক্স-ওফিসিও চ্যেরমেনসু ওইরিবা ভাইস প্রসিদেন্ট খল্লিবা ইলেক্টোরেল কোলেজদা রাজ্য সভা অমদি লোক সভাগী মেম্বরশিং য়াওই। মীখলদা মায় পাক্লকপা এম পিশিং অমদি নোমিনেট তৌরকপা এম পিশিং ভোট থাদবা য়াগনি।

হাউস অনীগী অপুনবা মেম্বর মশীং ৭৯০নি। অদুবু হৌজিক হৌজিক লোক সভাদা সিট অনী অমসুং রাজ্য সভাদনা সিট অমা হাঙলি। লোক সভাদা বি জে পিগী এম পি ওইরিবা সেদি পাস্বানদি কোর্টকী ৱায়েল অমগী মতুং ইন্না মীখলদা ভোট থাদবা য়াওরোইদৌরি।

অপুনবা মেম্বর ৫৪৫ লৈবা লোক সভাদা বি জে পিগী মেম্বর ২৮১ লৈ। বি জে পিনা লূচিংবা এন দি এগীনা অপুনবা মেম্বর ৩৩৮নি। রাজ্য সভাগী অপুনবা মেম্বর ২৪৩গী মনুংদা বি জে পিগী মেম্বর ৫৭ অমসুং কোংগ্রেসকী ৫৯ লৈরি। হন্দক্তা পাঙথোকখিবা এসেমব্লি ইলেক্সনশিংদা বি জে পিনা মায় পাকখিবা মরম্না মথং চহীদদি পার্টি অসিনা রাজ্য সভাদসু মেম্বর মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা পার্টি ওইরগনি। এন দি এগী ওইনদি পুন্না মেম্বর ১০০ শুরবা য়াই হায়না থাজনরি।

চৈরকসিদা, আম আদ্মী পার্টি (এ এ পি)না ওপোজিসনগী মীরেপ গোপাল কৃষ্ণ গান্ধীদা শৌগৎলগনি হায়না পার্টি অসিগী কনভিনর অর্বিন্দ কেজ্রিৱালনা ফোংদোকখ্রে।

# মী শিবগী রেজিষ্টর তৌবদা আধার চঙলগনি



ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী) : মীগী মশক মমিং লোৎশিনবা য়াহন্দনবগীদমক ওক্টোবর ১দগী কনাগুম্বা মীওই অমা শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার নম্বর য়াওদবা য়াররোই হায়না গভর্ণমেন্টনা লাউথোকখ্রে।

হোম মিনিষ্ট্রিনা থাদোরকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি মদুদি, জম্মু এন্দ কাশ্মীর, অসাম অমসুং মেঘলয়া য়াওদনা অতৈ ষ্টেটশিংগী ওইনদি ওক্টোবর ১দগী হৌনা মী শিবগী দেথ রেজিষ্ট্রেসন তৌবদা আধার য়াওদবা য়াররোই।

হোম মিনিষ্ট্রিগী মখাদা লৈবা রেজিষ্ট্রার জেনরেলগী ওফিসনা ফোংদোকখিবগী মতুং ইন্না লৈখিদ্রবা মীওই অমগী চপ চাবা মমিং মথানচিংবা অকুপ্পা মরোল পুম্নমক খঙবা ঙম্নবগীদমক অনৌবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। কনাগুম্বা মীওই অমা লৈখিদ্রবা মতুংদা অতোপ্পা মীওই অমনা লৈখিদ্রবা মীওই অদুগী মিংদা খুদোংচাবা লৌবা য়াহন্দনবগী পান্দমদা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

পনবা য়াবদি, ওগষ্ট ৩১ ফাওবগী মনুংদা আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌহনগদবনি হায়না সেন্ট্রেল বোর্দ ওফ দাইরেক্ট টেক্সেস (সী বি দি টি)না ফোংদোকপা লৈখ্রবনি।

আধার অমদি পান লিঙ্ক তৌদ্রিবমখৈদি কনাগুম্বা মীওই অমত্তগী ইনকম টেক্স রিটন (আই টি আর) প্রোসেস তৌরোই হায়রি।

মিনিষ্ট্রি ওফ ফাইনান্সনা থোকখিবা নোটিফিকেসন অমনা হায়খি, ওগষ্ট ৩১গী মমাঙদা আধারগা লিঙ্ক তৌদবা পার্মেনেন্ট একাউন্ট নম্বর (পান) কেন্সেল তৌরগনি।

রেভিন্যু সেক্রেটরি হসমুখ আধিয়ানা ৱাফম অসি লাউথোক্লদুনা হায়খিবনি মদুদি, ইনকম টেক্স রিটন ফাইল তৌবগী অরোইবা মতম ওগষ্ট ৫ ফাওবা শাংদোক্লে। হান্নদি ওগষ্ট ৫দা আই টি আর ফাইল তৌবা নুমিৎনি হায়না মতম লেপখিবনি। টেক্স থীরিবা মীওইশিংনা মায়োক্লরিবা খুদোংচাদবশিংগী য়েংলগা আই টি আর ফাইল তৌবগী মতম শাংদোকহনবনি হায়না ইনকম টেক্স দিপার্টমেন্টকী সিনিয়র ওফিসল অমনা ফোংদোকখি।

হীরম অসিগী মতাংদা রেভিন্যু দিপার্টমেন্ট অমদি সী বি দি টিগী ওফিসলশিংনা ফাইনান্স মিনিষ্ট্রিগা কুপ্না খন্ন-নৈনরবা মতুংদা অরোইবা ৱারেপ অমা লৌখিবনি। দিমোনেটাইজেসন মতুং তারকপদা লুপা ২দগী হেন্না বেঙ্ক একাউন্টতা থমজিনখিবা তারবদি আই টি আর ফাইল তৌবদা ময়েক পনগদবনি হায়নসু দিপার্টমেন্টনা ফোংদোকখি।

# বি জে পিনা রাজ্য সভাদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইরে

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী) :

মধ্য প্রদেশতগী শম্পতিয়া উইকেদা রাজ্য সভাগী মেম্বর ওইনা মীখলদা মায় পাকখিবগা লোয়ননা পার্লিয়ামেন্টকী অপ্পর হাউসতা বি জে পিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইবা ঙম্লে।

হৌজিক হৌজিক রাজ্য সভাদা বি জে পিগী অপুনবা মেম্বর ৫৮ শুরে। হান্না মশীং খ্বাইদগী য়াম্বা পার্টি ওইরম্বা কোংগ্রেসকী মেম্বর ৫৭ লৈরি।

য়ুনিয়ন মিনিষ্টর অরুন জেটলিনা এজেন্সীদা হায়খি, ষ্টেট অয়াম্বদা বি জে পিনা মথং মথং লৈঙাক পায়রকপা মরম্না রাজ্য সভাদা পার্টি অসিনা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইবা ঙম্লকপনি। শাংলবা চহী ৬৫ কোংগ্রেসনা রাজ্য সভাদা সিঙ্গল লার্জেষ্ট পার্টি ওইদুনা লাকখিবনি। অদুবু প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা লূচিংবা এন দি এ লৈঙাক লাকপদগী রাজ্য সভাদা বি জে পিনা অনৌবা পুৱারী অমা শেম্বা ঙম্লে হায়না য়ুনিয়ন মিনিষ্টর মখা তাখি।

রাজ্য সভাদা মধ্য প্রদেশকী অপুনবা সিট ১১নি। মসিগী মনুংদা বি জে পিনা নিপান ফংবা ঙম্লে। ওগষ্ট ৮দা রাজ্য সভাগী হাঙদুনা লৈরিবা সিট মাপন মেনশিন্নবা মীখল পাঙথোক্লগনি হায়রি।

HL-B/4054/4to3 Sept.


DIRECT ADMISSION IN INDIA & ABROAD

MBBS in BANGLADESH

DHAKA, CHITTAGONG, RANGPUR & RAJSHAHI

(**)1st PAYMENT 5 LAKH [TOTAL PACKAGE 20L]
REMAINING INSTALLMENT WITHIN 4 YEAR
HURRY!!! LIMITED SEATS ONLY

MBBS in INDIA, KYRGYSTAN, CHINA, KAZAKH & PHILIPPINES

We Provide Special Coaching For ANATOMY, BIOCHEMISTRY, PHYSIOLOGY and BENGALI (Language) by our RENOWNED PROFESSORS with audio and Visual Class Beforehand

B.Sc./M.Sc.
Agriculture, Forestry, Horticulture, Fishery, Medical Microbiology, B.Pharm.,B.E./B.Tech (all stream) CBZ, BPT, B.Sc. Nursing, GNM,
→ at DEHRADUN, CHANDIGARH BENGALURU & GUWAHATI
TOP & OLDEST RECOGNISED COLLEGES

BDS in INDIA (no donation)
Top Colleges Recognised by DCI

BAMS Ayurvedic Few SEATS

Regional Office :- Office Regd. No. 548/SR(IE)
LUWANG EDUCATIONAL TRUST
Palace Compound Near Pioneer Academy, Imphal East
9856167106 7005683347
Visit us at :- www.luwangedutrust.com


# টৎকালদা টিকেট বুক তৌরগা কোন্না শেল পীবা য়ারগনি

ন্যু দিল্লি, ওগষ্ট ০৪ (এজেন্সী) :

ইন্দিয়ন রেলৱেজগী টিকেট বুক তৌবগী মতাংদা হেন্না লায়থোকহন্নবা থৌরাং লৌখৎলকখ্রে।

পেসেঞ্জরশিংনা ইন্দিয়ন রেলৱে কেটরিং এন্দ টুরিজম কোর্পোরেসন (আই আর সী টি সী)গী ৱেবসাইটতা টিকেট বুক তৌরগা কোন্না শেল থীবা য়াহল্লগনি হায়রি।

হৌজিকমক্কী ওইনদি খুদোংচাবা অসি জেনরেল রিজার্বেসন খক্তদা পীরি। টৎকালদা বুক তৌনবগীদমক কনাগুম্বা মীওই অমনা ওনলাইনগী খুথাংদা শেল হান্না থীবা মথৌ তারম্বনি। শেল পীখ্রবা মতুংদা আই আর সী টি সীগী পোর্টেলনা টিকেটকী কনফার্মেসন পীরক্কদবনি।

অনৌবা থৌরাং অমগী মখাদা কনাগুম্বা মীওই অমনা টৎকালগী টিকেট ককপা মতমদা কেস, দেবিট কার্দ নৎত্রগা ক্রিদিট কার্দ শীজিন্নরগা কনফার্ম তৌরবা টিকেট অদু মশাগী ময়ুমদা য়ৌহল্লকপা য়ারগনি হায়না আই আর সী টি সীগী ওফিসল অমনা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, রেলৱেজনা লু-নানবগী মতাংদা মতিক চাবা থৌরাং লৌখৎখ্রে হায়না কন্ট্রোলর এন্দ ওদিটর জেনরেল (সী এ জি)গী রিপোর্টনা ফোংদোকখ্রবা মতুংদা এ সী কোচকী পেসেঞ্জরশিংদা কম্বল পীবগী থৌওং লেপ্লগনি হায়না ইন্দিয়ন রেলৱেজনা ফোংদোকখ্রে।

এ সী য়াওবা ট্রেনদা হান্না সেলসিয়স দিগ্রী ১৯গী চাংদা ঈংহল্লম্বদু হৌজিক্তি সেলসিয়স দিগ্রী ২৪দা থমগদবা মরম্না কম্বল য়েনবগী মথৌ তাররোই হায়না রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখি।

সী এ জিগী রিপোর্টনা হায়খি, কম্বল অমা শীজিন্নবগীদমক পেসেঞ্জরদগী লৌরিবা শেনফম শুপ্নগী লুপা ২২ খক্তনি। অদুগা কম্বল অমা শুবদা চঙলিবা শেনফমনা লুপা ৫৫নি। মতৌ অসুম্না ইন্দিয়ন রেলৱেজদা শেল কা হেন্না মাঙবগী ফীভম লাকপনা এ সী য়াওবা ট্রেনশিংদা কম্বল য়েনবগী থৌরাং মখা তানা চথহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি হায়রি।

অমরোমদা, দিল্লিদগী চান্দিগর ফাওবা কিলোমিটর ২৪৫ ট্রেন তোংলগা চৎপদা শুপ্নগী পুং ২ খক চঙলগনি হায়না অতোপ্পা রিপোর্ট অমনা ফোংদোকখ্রে। মী খ্বাইদগী চিনবা দিল্লিদগী চান্দিগর ফাওবগী লম্বীদা অয়াঙবা মখলগী ট্রেন চেলহন্দুনা মতম মাঙহন্দনা শুপ্নগী পুং ২দা লমথুংফম য়ৌহন্নবা থৌরাং লৌখৎপদা ফ্রান্সকী মতেং লৌগনি হায়রি।


NAME RECTIFICATION

I have rectified my father's and Mother's name as **Nunglepam Bobi Singh** and **Nunglepam (o) Inaotombi Devi** instead of Nunglepam Bobit Singh and Nunglepam Shanti Devi as per affidavit, sworn before the Oath Commissioner, Manipur at Imphal on 4th August, 2017.

***Sd/-* Nunglepam Malemnganba Singh**
S/o N. Bobi Singh,
Singda Kadangband Pt.-I,
P.O. & P.S. Lamsang, Imphal West.

HL-P/2441/5



**Asthma/এজমা ফহনবগী থাগৎচরি**


L. Biswajit

ঐ মতম কুইনা চহী ২০ মথক এজমা নারগা, কোক ঙাওরগা কন্না চিকপা, নাতোন ফুনবা, শ্বর খেরগা তুম্বা য়াদবা, হকচাং শাথিনা শোল্লগা চৎপা ঙমদনা লৈরম্মী। মফম খূদিং চৎলগা লায়েংজরে, নুংঙাইফম খঙদ্রে। অরোইবদা ২০১৭ কী জান্যুৱারী থাদা Kolkata গী Baidyaraj Amarjit Singh Maisnam, C/o Makhonmani Mongsaba, Uripok Achom Leikai, M.No. 8794144578 তা লায়েংজরুবদগী থা অমদা ৫০% ফরগা তপ্না-তপ্না অনাবা খূদিংমক পুংফ ফরে। মরম অদুনা Baidyaraj Amarjit পু মতম পুম্বদা ঈশ্বরনা চানবীবা ওইসনু হায়না থৌনিজরি।

HL-P/2434/5 *থাগৎচরিবা :* **L. Biswajit, Singjamei.**



**মীয়ামগী সেবা কুইনা তৌবীখো!**


L. Sudhakar

শগোলবন্দ খন্নাম লৈরক আই টি আই মনাক ইম্ফালদা লৈবা **লাইশ্রম সুধাকর** (অপোকপা নুঙগী লায়েংবা লাইশ্রম নবকিশোর) গী হীদাক হপ্তা ১ চারগা ঐগী হকচাংদা লৈরম্বা নুঙ অদু তারক্লে। মসিগীদমক্তা হরাউমন্দুনা ঐনা সুধাকরবু পাউচেগী থোঙদা থাগৎপা ফোংদোকচরি। মীয়ামগী সেবা কুইনা তৌবীখো!

***Sd/-* Khundongbam Ibocha Singh**
Malom Awang Leikai.
HL-P/2437/5



**মীতৈ লায়েং**

য়া শৎতনা লায়েংবা, য়াগী কেন্সর মায় পাক্লা লায়েংজরি। এন ইবোহল মীতৈ
চীংমৈরোং মনীং লৈকায় লম্বী চংফম মচিন, নিয়র এসেমব্লী কমপ্লেক্স



১। হৌজিক্কী মতম অসিদা মীয়াম্না মীপাইনরিবা বি.পি. হায়বসি ইমালোন্দা লাইয়ৈ য়ৈবা হায়বনি। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুনা অসুম চৎলম্বদগী বোম তুদুনা শিরে, তুমখিবদগী হৌগৎলক্তরে হায়বদি ঐগী লোলদা লাইয়ৈ য়ৈদুনা শিরে হায়বনি। হৌজিক্কী মতমগী লোন্দদি বি.পি. পোকখায়দুনা শিরে হায়না খঙনৈ। হায়রিবা লাইওং অসি মীতৈ ঈপা ঈপুশিংনা থন্বীরম্বা হীদাকশিংনা লায়েংদুনা কনবা ঙম্লে। অকুপ্পা মরোল মীতৈ লায়েংদা নৈনবীয়ু, তান্নবীয়ু।

২। হার্টকী লায়না হায়বদি শ্বর হোনবা নুংঙাইতবা, শদৌ থোংবা, হকচাং চোকথবা, তুম্বা য়াদবা, অকি অখঙ পোকপা অসিনচিংবা লাইওং কয়া অসি হার্টকী ওইবা প্রোব্লেমনি। অদুবু ৱাবীরুনু মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা ফহনবা ঙম্লে।

৩। হৌজিক্কী মতম খুৎলায়গী পাঙ্গলনা চাংয়েং তৌবদা অনাবগী লাইওং পুথোকপা ঙমদবা লায়না লাইওং কয়া মীতৈ লায়েংনা মায় পাক্লা লায়েংজরি। নুংশীৎকী লায়না (Gastric)।

৪। Make-up (Parlour) তৌবদা চান্নদবদগী মায়দা allergy তৌবা অসি মীতৈ লায়েংনা অতেনবা মতমদা কোকহনবা ঙমজরে।

৫। মীওইবগী পুন্সিদা য়া হায়বা শায়রগা চান্নরীবা অসিবু পুন্সিগী লেঙদ্রবা পামেল অমা ওইহনবীয়ু। অদোমগী হকচাঙ ফহনবীয়ু। য়ানা মীওইবগী থৱায়নি। য়া নাবা অমসুং য়াদা মুবা তিল চাবা হোবা, য়ারীদা পোম্বা, নাই চাবা, ঈ থোকপা অসিনচিংবা কয়া শত্তনা অমদি তুংদসু অমুক হৌহন্দনা মায় পাক্লা লায়েংজরি।

৬। মথক্তা পঞ্জখিবা লায়নাশিং অসিগী মথক্তা মখাদা পঞ্জরিবা লায়নাশিং অসিসু ঐখোয়না চাংয়েং কয়া তৌজদুনা নীঙথিনা লায়েংজদুনা মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে। লায়নাশিং অদুদি :- নুংশং নাবা, লাই ওক্লবা, ঈশিং পুকচৎপা, নুপীগী থাগী খোঙকাপ শোইবা, ফীভৌ চৎপা, ঈ-নুংশিৎ, লিবর, চাকখাউ নাবা, এজমা হারা, হুইনা চিকপা, লিন্না চিকপা, সাইনস, তোন্সিন অমদি কংখুনচিংবা লায়না কয়া, লালচাক-ফম্বী শোনবা, খোঙয়া শাবা, হকচাংদা ঈপুম নাইপুম লৈবা (without surgery) ফহনবা ঙম্বা হীদাক, খ্বাঙ নাবা, মটু লৈবা, অপোম্বা খুদিংমক, নুংশিৎ চংবা (হিংচাবী চংবা), মীৎ-নাপু কাবা, খোঞ্জেল শীথবা (voice down), ঈ-য়াই হকচাং নোয়বা ফনবা অমদি মশা পাবা নোয়নবা, নাহি তাবা অমদি ঊনশাগী লায়না কয়া মায় পাক্লা ফহনবা ঙমজরে।

**অকুপ্পা মরোল খঙবীনিংবশিংনা মীতৈ লায়েং ইবোহল, সনাতোম্বা, গোপাল অমসুং মোধুবলাদা তান্নবীয়ু।**

HL-B/3974/28/06-28/07

**Regd. No. 4277 of 82 April**
Phone No. **9615533737, 9856271907**
**DR. N. IBOHAL MEITEI, State & National Awardee**



job vacancies

| Sl Vacancies | Dep | Quali | Salary in Rs- | Location |
|---|---|---|---|---|
| 1. Deputy Maanager | (Banking) | Graduation | 34,000-62,000 | Imphal |
| 2. Part Time Sub Staff | (--do--) | 10th & + | 14,000 -28,500 | -do- |
| 3. Loader & Trolly Boys | (Airlines) | VIII & Above | 13,000-34,000 | North East |
| 4. Ground Staff, Ticketing | (--do--) | X & XII + | 30,000-Starting | -do- |
| 5. Trainee Cabin Crew | (--do--) | XII-above | 35,000- 62,000 | -do- |
| 6. Office Assistant | (Medical) | X or Equi | 12300 -34,000 | -do- |
| 7. Staff Nurse Grade -1 | (--do--) | B.Sc Nursing | 29,000-34,800 | -do- |
| 8. G.P.Rating , Seaman | (M.Navy) | X-Grad | 30,000-60,000 | O-India |
| 9. Deck Cadet , D.N.S Cadet | (-do-) | XII & Above | 60,000- 1.6 Lac | -do- |
| 10 . Ship Hostess | (--do--) | XII & Above | 46,000- 1.2Lac | -do- |
| 11. General Worker | ( Dubai) | X - Graduate | 86,000- 1.4 Lac | Dubai |
| 12. Driver (Heavy) | (-do) | -do- | 68,000- 85,000 | --do-- |
| 13. Office Reception / Field Staff | | --do-- | 7000-12,300 | Imphal |
| 14. Computer Operator / D.S.T Staff | | -do- | -do- | -do- |
| 15. Asst-Manager / Area Manager | | XII-Above | 8500-17,400 | -do- |
| 16. Development Officer | | Graduation | 14,000- 23,000 | -do- |
| 17. Driver for Ambulance | | Valid Doc | 8000-14,000 | -do- |
| 18. Field Staff / Field Executive | | X-XII | --Do-- | -do- |
| 19. Tele-Caller Staff for Female | | XII | 12,000-16200 | -do- |

20. PART TIME JOB AT HOME
i) Daily SMS Sending Job ii) Sunday SMS Job
iii) Field Staff iv) Data- Entry Job
Monthly Salary :- Rs-6000 to 16200. Qua - VIII & Above Age -No Bar.

FOR DETAIL CONTACT US AT-
LEIMA JOB GUIDELINE SERVICE, KWAKEITHEL BAZAR ,IMPHAL
HELPLINE NO- 8974975286 OFFICE HOUR- 10:00AM TO 03:00 PM.

HL-B/4052/3 to 30 Sept. (alt.)



ওফিস ওফ দি
মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিভ য়ুনিয়ন

খঙহঞ্জবা

মণিপুর ষ্টেট কো-ওপরেটিভ য়ুনিয়নগী অনৌবা মেনেজিং বোর্দি মেম্বর খনবগী ইলেক্সন য়ৈথোক্তুনা লাকখিবা অদু ওনরেবল হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী তাং ২৮/৭/২০১৭ ইং, কেস নং W.P.(C) No. 435 of 2017 গী হুকুম অমনা রেজিষ্ট্রার কোওপরেটিভ সোসাইটিজ মণিপুরদা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না অনৌবা মেনেজিং বোর্দি মেম্বর খনবগী ইলেক্সন অথুবা মতমদা পাঙথোকচরগনি। মরম অসিনা রেজিষ্ট্রার ওফ কো-ওপরেটিভ সোসাইটিজগী পাউতাক মতুং ইন্না য়ুনিয়নদা এফিলিয়েট তৌরবা State Level Cooperative Societies (Apex) শিংনা য়ুনিয়নগী (MSCU) গী পীফম থোকপা Fees লাক্লিবা ওগষ্টকী তাং ১০, ২০১৭ ইং, শগোলশেল নুমিৎকী অয়ুক পুং ১০ দগী নুংথিল পুং ৪.৩০ ফাওবগী মনুংদা য়ুনিয়নদা Fees থিদোকপীনবা খঙহঞ্জরি।

অকুপ্পা মরোল য়ুনিয়নগী ওফিসতগী খঙবীরবা য়াগনি।

*খঙহঞ্জরিবা* : **I. Iboyaima Singh**
CEO, Manipur State Co-operative Union (MSCU)

HL-P/2442/5



GOVERNMENT OF MANIPUR
**OFFICE OF THE PRINCIPAL**
**D.M. COLLEGE OF ARTS, IMPHAL**

**MA 1st Semester 2017 Admission Notice (Second Phase)**
Imphal, the 4th August, 2017

**No. 2/1/Adm(PG)/07-DMCA/2017 :** Notice is hereby served for information of all candidates concerned that List of candidates selected for Second Phase Admission (drawn from the Consolidated Merit Reserve List in order of merit for each category) are now availalbe and displayed on the College Notice Board. Admission for Second Phase starts from 5th to 7th August, 2017 during office hours.

More details can be had from the College Office.

**English : 8** (UR : 4, ST : 3, OBC : 1)
**Total Vacancies :**
**Education : 4** (UR:3, OBC : 1)


**Sd/-**
**Sarangajit Khundrakpam**
Principal,


HL-P/2444/5



ADVANCED COACHING INSTITUTE
Nagamapal Lamabam Leikai near RIMS Road,opposit koirengei auto parking Regd. No. : 729
The Largest,Trusted & Premier Coaching Institute,Imphal in both Sc.


REGULAR MEDICAL & ENGINEERING COURSE (2017)
Foundation Course for Class IX to XII (Arts and Science)






2nd Position (Sc.2017) R.K. Babysana


3rd Position(Sc.2017) VICTORIA

Only 30 seats each section separated CBSE & COHSEM batches


2nd Position (Arts) Guneshori


3rd Position(Arts) Dholenchandra


8th Position(Arts) Pebam

Separated boys and girls hostels, van service,morning and evening batches .For more details contact 9862992105

HL-B/4027/21-20 Aug.